## দাইবেটিক অমনা অহানবা মীশি ওইরে

মেক্সিকো সিটি, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
মেক্সিকোগী অহানবা কোরোনাভাইরসনা মী শিহনবগী থৌদোক ওইনা হৌখিবা চয়োলদগী লাইওংশিং উৎলকপা হৌখিবা মশাগী চহী ৪১ শুরবা দাইবিটিজ নারবা মেক্সিকান নুপা অমা লৈখিদ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে। মমাংদা মেক্সিকান হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং পুং ২৪ গী মনুংদা চাদা ২৭ হেনগৎলক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## এন এস এনা শরুক য়ারগনি

মোস্কো, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
য়ু এস নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর রোবার্ট ও ব্রিয়ননা লাক্লিবা মেদা মোস্কোদা চত্তুনা রসিয়াগী ৱর্ল্ড ৱার টুদা মায় পাকখিবা নুমিৎকী থৌরমদা শরুক য়ারগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এস এম্বেসেদর জোন সুলিবান্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা ইন্টরফেক্স ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি। সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না ৱর্ল্ড টুদা নাজি-জর্মনি মায়থিবা পীখিবগী নীংশিং থৌরম অদু প্রসিদেন্ট পুটিন্না প্রিসাইদ তৌগদৌরিবনি।

## বৈজিংদা মপান্দগী চঙলকপা কোভিদ-১৯ কেস রেকোর্দ ওইনা ৱাংখ্রে, দোমেষ্টিক ট্রান্সমিসন থেংনদ্রে



বৈজিং, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
চাইনিজ কেপিটেল বৈজিংদা মপান্দগী চঙলকপা অনৌবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন মশিং রেকোর্দ ওইবা মওংদা ২১ য়ৌরে হায়বসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দেত্তানা উৎখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংদা পেসেঞ্জরশিং স্ক্রিনিং তৌবা অমসুং চিংনবা কেসশিং তোঙান্না থম্নবগী প্রেসর চাওনা লৈরে হায়রি।

তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা সেন্ট্রেল প্রোভিন্স হুবৈগী কেপিটেল ৱুহানদা অহানবা ওইনা কোরোনাভাইরস দিটেক্ট তৌখিবদগী অনৌবা দোমেষ্টিক ট্রান্সমিসন থেংনদ্রে হায়রি।

মালেমদা কোরোনাভাইরস খোঙজেন য়াংনা শন্দোরকখিবগা ইরোয়ননা চাইনাগী ওইনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ভাইরস অসি থেংনবগী থবক পুন্নমক মপান্দগী লৈবাক অসিদা লাকপা ট্রাভেলরশিং স্ক্রিনিং তৌবদনা হেন্না মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফাদবা লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ইম্পোর্টেদ ইনফেক্সনগী অনীশুবা কিনিংঙাই ওইরবা তাঙ্কক অমা লাক্কদৌরিব্রা হায়বগী অকিবা লৈহনখি।

অসিগুবা কেস খরখক্তগী চাইনাদা অমুক হন্না লায়না-লাইচৎ অসি মশিং য়ামথোরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা চাইনা দেলিগী ইদিটোরিয়ল অমদা ইখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বৈজিংদা মপান্দগী চঙলকপা ইনফেক্সন ২১ রেকোর্দ তৌখি। মখোয় অয়াম্বা বৃটেন অমসুং স্পেনদগী লাকপা লমকোয়বশিংনি। মখোয় থারগা মেনলেন্দ চাইনাগী অনৌবা মপান্দগী চঙলকপা কেস মশিং ৩৪ য়ৌখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদগী কেপিটেল বৈজিংগী এয়রপোর্টতা ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিংগী অখন্নবা জোন অমা তোঙান্না থমদুনা ফ্লাইটশিংদগী কুমথরক্লিবা পেসেঞ্জর পুন্নমক হেল্থ চেকশিং পাঙথোকখি। চাইনিজ করিয়রশিংনা ওপরেট তৌবা বৈজিংদা লাকপা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট খরদি তিনয়াঞ্জিন, সিজিয়াজুৱাং, টাইয়ুৱান অমসুং হোহোটকুম্বা মনাক নকপা সিটিশিংদা থৈরগনি হায়রি।

## ন্যু য়োর্ককী হোটেলশিং নন-কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী হোস্পিটালশিং ওন্থোক্লবা খন্নরি



ৱাশিংটন, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
ন্যু য়োর্ক সিটিগী ওথোরিটিশিংনা সিটি অসিদা লৈরিবা হোটেল কয়া নোভেল কোরোনাভাইরসকী নত্তবা অতৈ পেসেন্টশিংগী হোস্পিটালশিং ওন্থোক্লবগী ৱাফম খন্নরি।

ন্যু য়োর্ক সিটি খত্তদা হৌজিক ফাওবদা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিহনখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ১,৮৭১ না চাংয়েংদা লায়না অসি পোজিটিভ ওইখ্রে।

হৌখিবা দিসেম্বরদা চাইনিজ সিটি ৱুহানদগী শন্দোকপা হৌখিবা ভাইরস অসিনা সিটি অসিগী টুরিজম ইন্দষ্ট্রিদা চাওনা শোকহনবগা লোয়ননা হৌজিক হোটেল কয়া অমা পুংহাং হাংলে।

ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী খোঙজেল থুংজিল্লকপদগী মেদিকেল ফেসিলিটিশিংগী কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা হোস্পিটালিটি ইন্দষ্ট্রিদা মীৎয়েং চঙলত্তুনা অসিগী হোটেল পুন্নমক নোভেল কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা নত্তবা অতৈ পেসেন্টশিংগী হোস্পিটালশিং ওন্থোকপা য়াগদ্রা হায়বগী কুপ্না খন্নরি।

পনবা য়াবদি, লায়না-লাইচৎ অসি চঙলকখিবদগী সিটি অসিদা লৈবা হোটেল খরা অনাবশিং নৎত্রগা চিংনবা মীওইশিং তোঙান্না থম্বদা শীজিন্নদুনা লাক্লিবনি।

## মী শিবা হেনগৎলকপদগী ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্টনা কোরোনাভাইরসকী চাংয়েং কনশিন্নবা আপিল তৌখ্রে



জকার্টা, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসতগী মী শিবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিগী ইনফেক্সন মশিং খংৱাং ৱাংখৎলকপদগী শগোলশেল নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্টনা মালেমগী মরিশুবা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক অসিদা খুদক্তা লায়না অসিগী চাংয়েং কনশিন্নবা আপিল তৌখ্রে।

মীওই মিলিয়ন ২৬০ হেন্না লৈবা লৈবাক অসিদা চয়োল অহুম ফাদবগী মমাংদা ভাইরস অসিগী অহানবা কেস লাউথোকখিবদগী হৌজিকফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিদা শিবা মী মশিং ২৫ য়ৌদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অতৈ লৈবাকশিংদগী ভাইরস অসিনা শিহনবগী চাং ৱাংলি।

ইন্দোনেসিয়াদা ইনফেক্সন মশিং ৮২ হেনগত্তুনা ৩০৯ য়ৌখিবগা লোয়ননা মালেসিয়াদা অনৌবা কেস ১১০ থেংনখিবা অমসুং থাইলেন্দদনা কেস ৬০ দিটেক্ট তৌবা অসি থারগা সাউথ ইষ্ট এসিয়া পুম্বদা লৈরিবা অপুনবা ইনফেক্সন মশিং ২,২০০ লোম য়ৌরে। ঐহাক্না মরী লৈনবা পুন্নমক্তা চাংয়েংগী কিটশিংগী মশিং অমদি টেষ্ট সেন্টরশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবা অমসুং হোস্পিটালশিংনা লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা থৱায় য়াওশিন্নবা আপিল তৌরি হায়না প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্সিএল পেলেসকী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট ৱিদোদো অমসুং মহাক্কী লোইনবী কোভিদ-১৯গী টেষ্টতা নেগেটিভ ওইরল্লে। ইথৎ ময়ামগী লৈবাক অসিদা অনৌবা লায়না-লাইচৎ অসিগী প্রোব্লেম কন্দায়ফাওবা চাওবগে হায়বদু হেন্না থুনা খঙহল্লমগদবা মওংদা লায়না অসিগী চাংয়েং তৌবা হৌবদা তপখিবগীদমক্তা ইন্দোনেসিয়াগী ওথোরিটিশিংবু মেদিকেল ৱর্করশিংগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা চৈ থাংলিবনি। কেম্বোদিয়াদগী মীশিং য়াম্বা শরুক ১৬তগী ফাওবা হেল্লবসু শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা ইন্দোনেসিয়ানা শুপ্নগী কোরোনাভাইরসগী চাংয়েং ১,৫৯২ পাঙথোকখি। লায়না-লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌবদা মতেং ওইরিবা চাংয়েংগী থবকশিংগীদমক্তা মালেম পুম্বনা থাগৎনরিবা সাউথ কোরিয়ানা হৌজিক ফাওবদা পুং ২ খুদিংগী তৌবা টেষ্ট মশিংনা ইন্দোনেসিয়াগী অপুনবা টেষ্ট মশিংদগী হেন্দুনা পুন্না টেষ্ট ২৯০,০০০ পাঙথোকখ্রে।

## লাইনিং-লাইশোনগী থৌরমদা য়াওখিবা রোহিঙ্গাশিংগী থিরি

কুলা লম্পুর, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
সাউথ-ইষ্ট এসিয়াদা কোরোনাভাইরস কেস হেনগৎহনখিবা মুস্লিমশিংগী ওইবা লাইনিং-লাইশোনগী অচৌবা থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা রোহিঙ্গা ২০০০ রোম মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা খোঙ্গুল লিবা কন্না হোৎনরি হায়না সিক্যুরিটি সোর্স অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা মুন্না খঙবা মীওই অনীনা ফোঙদোকখ্রে।

ম্যান্মারদগী চেনখিবা রোহিঙ্গা মুস্লিম ১০০,০০০ হেন্না মালেসিয়াদা লৈরি। তৌইগুম্বসুং মখোয়বু লৈবাক অসিদা লোনা য়াদবা ইম্মিগ্রেন্টশিংনি হায়না লৌনৈ। রোহিঙ্গা কম্যুনিটিগী সোর্স খরগী মতুং ইন্না মখোয়গী হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটস অসিগী মতুং ইন্না রোহিঙ্গা কয়ানা কোরোনাভাইরসকী লাইওং কয়া মশাদা উৎথোরকপা য়াওদুনসু লায়না অসিগীদমক্তা চাংয়েং তৌনবা মখোয় মশানা শক্তাকচনিংদে।

মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা রোহিঙ্গা মুস্লিম কয়ামরুম থিরিবা অসিনা সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী গভর্নমেন্টশিংনা লৈবাকশিং অদুদা ওফিসল চে-চাংশিং য়াওদনা অমদি য়ারিবমখৈ ওথোরিটিশিংদগী নাথৈদুনা লৈরিবা কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা শাথিরবা ভাইরস অসিবু খোঙ্গুল লিবগী অচৌবা শীংনবা অমা মায়োক্লরি হায়বসি উৎলি।



হৌখিবা থাগী অথেংবদা মালেসিয়াগী কেপিটেল কুলা লম্পুরগী চিদাইদা লৈবা মোস্ক অমদা ম্যান্মরদগী চেল্লকখিবা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং য়াওনা মীওই ১৬,০০০ না শরুক য়াখিবা লাইনিং-লাইশোনগী অচৌবা থৌরম অমা পাঙথোকখিবনি। রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং অমসুং অতৈ রেফ্যুজিশিং অমদি চে-চাং য়াওদবা মাইগ্রেন্টশিংদা নত্তনা এসিয়াগী লৈবাক কয়াগী মুস্লিম ১৫০০ রোমসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী কোরোনাভাইরস কেস ৬৭০ হেন্না লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম অদুগা মরী লৈনৈ। হৌজিক ফাওবদা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মালেসিয়াদা কোরোনাভাইরস কেস ৫৭৬ লৈরে। ব্রুনৈদা কেস ৬১, কেম্বোদিয়াদা কেস ২২, সিঙ্গাপোরদা ৫, থাইলেন্দদা ৭ অমসুং ভিয়েটনা অমদি ফিলিপিন্সতা কেস অমমম লৈরে।

## য়ু এসকী কোংগ্রেসমেন অনী পোজিটিভ ওইরে



ৱাশিংটন, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী কোংগ্রেসমেন অনী চাংয়েংদা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরে হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিগী ইনফেক্সন লিশিং কয়া লৈরবনি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মপানশুবা টর্মগী ফ্লোরিদাগী রিপব্লিকান মারিও দিয়াজ-বালাটকী ষ্টেটমেন্ট অমনা মহাক লায়না অদুগী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরে হায়বা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসি পল্লবা অহানবা অমেরিকান কোংগ্রেসমেন ওইখি।

পোলিটিকেল ন্যুজ রিপোর্টগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৫৮ শুরবা বালাটনা কোরোনাভাইরস রেস্পোন্স বিল অমা ভোট লৌনবগী হাউসকী ফ্লোর থাদোকখিবা মতুং পুং খরা লৈরগা মঙোন্দা লায়না অসিগী লাইওংশিং উৎথোরকখি। সেসন অদুদা কোংগ্রেসকী মেম্বর ৪০০ হেন্না ভোট লৌনবদা শরুক য়াখি।

মীপুম খুদিংমক্না লায়না অসিবু য়াম্না লুনা লৌদুনা য়ারিবমখৈ নাহন্দনবা সী দি সীগী গাইদ লাইনশিং ইনবগী তঙাইফদবা লৈ। অসুম তৌরবদি ভাইরস অসি শন্দোকপগী চাংসু হন্থগনি। অসিগুম্বা অৱা-অনাগী মতম অসিদা ঐখোয়না খুৎশম্নদা হোৎনমিন্নদুনা য়ু এসপু মপাঙ্গল হেন্না কনবা লৈবাক অমা ওইহনগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা উটাগী দেম্মক্রেটিক রেপ্রজেন্টেটিভ মেক অদামনসু মহাক চাংয়েংদা ভাইরস অদু পোজিটিভ ওইরে হায়না লাউথোকখি। মশাগী চহী ৪৫ শুরবা অদাম্না ফোঙদোকখিবদা, মহাক উটাদা হল্লক্লবা মতুং মার্চ ১৪গী অহিংদা কোরোনাভাইরসকী লাইওংশিং তপ্না-তপ্না মশাদা উখোরকখি। মহাক্কী দোক্তরগী এদভাইসতা মহাক্না খুদক্তা মথন্তা ক্বারেন্টাইন তৌবা হৌখি।

ঐহাক্কী লাইওংশিং কনশিল্লকখি অমসুং ফিভর, লোক কংখু অমদি শ্বোর হোনবদা ৱাবগী ফিভম য়াওশিল্লকখিবগা লোয়ননা ঐহাক মখা তানা লন্নাই ওইনা ক্বারেন্টাইন তৌদুনা লৈখি হায়না মেক অদামসনা ফোঙদোকখি।

## হঙ্গরিনা ষ্টেট কম্পনি ১৪০ দা মিলিটরি পর্সনেল দিপ্লোই তৌগদৌরি

বুদাপেষ্ট, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মনুংদা হঙ্গরিনা লৈবাক্কী ওইবা মরু ওইবা সর্ভিস কয়া পাঙথোক্লিবা ষ্টেট কম্পনি ১৪০গী ওপরেসনশিং মোনিটর তৌনবা স্পেসল মিলিটরি টাস্ক ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌরগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর তিবোর বেনকোনা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে।

লান্মী কয়া, পুলিস ওফিসর কয়া অমসুং দিজাষ্টর য়ুনিটকী ৱর্কর কয়া য়াওবা নৌনা শেম্বা টাস্ক ফোর্সশিং অদুনা কম্পনিশিং অদুগী মরমদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা চাং নাইনা বিফ্রিংশিং পীগনি হায়না বেনকোনা পব্লিক টেলিভিজনদা ফোঙদোকখি।



কোরোনাভাইরস শন্দোরকপনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টর ভিক্টর ওর্বানগী গভর্নমেন্টনা ষ্টেট ওফ নেসনল ক্রাইসিস লাউথোকখ্রবনি। ওফিসল ফিগরসকী মতুং ইন্না হঙ্গ্রিদা হৌজিক ফাওবা মীওই ৭৩ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে।

ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমা শিখ্রে, অনীনা লায়েংবদা ফরে অমসুং মীওই ১২৪ হৌজিক তোঙান্না থল্লি। টাস্ক ফোর্সশিং অসিগী থবকশিংগী মনুংদা অমদি হঙ্গ্রিগী য়াম্না মরু ওইরিবা কম্পনিশিং অসিগী ওপরেসনশিং লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা শোকহন্দনবা হোৎনবনি। মহাক্না ফার্মশিং অদুগী মমিংশিং পনখিদ্রবসু মখোয়গী মনুংদা ইনর্জি, টেলিকম্যুনিকেসন, ট্রান্সপোর্ট অমসুং হেল্থ ক্যের সেক্তরশিংদা ওপরেট তৌবা বিজিনেসশিং য়াওই হায়খি।

গভর্নমেন্ট স্পোক্সমেন অমনসু ক্লাসিফাইদ ইনফোর্মেসননি হায়রদুনা কম্পনিশিংদুগী মমিং অমত্তা পীয়ু য়াখিদে। অদুমওইনমক ইনর্জি গ্রুপ এম ও এলগী স্পোক্সমেন অমনা কম্পনিশিং অদুগী মনুংদা মখোয়সু য়াওই হায়না ফোঙদোকখি। ওপরেস্নেল ইশ্যু খরা লাকহৎপদা মিলিটরি অমসুং পুলিসনা এম ও এলগী মতেং পাংবা লৈখ্রবনি হায়না স্পোক্সমেন দোমোকোস জোলাসনা ফোঙদোকখি। মতেং পাংলিবা থবকশিং অদুদি ট্রাঞ্জিৎ কোরিদোর অমসুং পেট্রোল ষ্টেসনশিং গার্দ তৌবনচিংবনি।

## য়ু কেনা লন্দন সিটি লোকদাউন তৌগদৌরি



লন্দন, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা কোরোনাভাইরসকী ক্রাইসিস থেংননবা হেন্না কনবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা ৱারেপ লৌরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা শগোলশেল নুমিত্তা কেপিটেলদা লৈবা অন্দরগ্রাউন্দ ট্রেন ষ্টেসনশিং থিংজিন্দুনা সিটি অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা অমদি থবক ইনখাং পুন্নমক লেপ্পবগীদমক শেম-শাখ্রে।

মালেম শীন-থুংনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টশিং, কম্পনিশিং অমসুং ইনভেষ্টেরশিংনা কুমজা ১৯১৮ গী মালেম শীন-থুংখিবা ফ্লু লাইচৎগী মতুংদা খ্বাইদগী চাওবা পব্লিক হেল্থ ক্রাইসিস মায়োক্লরি।

নোংচুপলোমদা মরা তপ্না তং তাবা ফিভম লৈহন্নবগী পীলর অমনি হায়না লৌনবা য়ু কেদা লৈরিবা স্কুল পুন্নমক থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্টনা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা লৌখৎলোইদবা থৌরাং অমত্তা লৈতে। লন্দন সিটি লোকদাউন তৌনবগী থৌরাংশিং লৌখৎলক্কদ্রা হায়না হংবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জোন্সন্না গভর্নমেন্টতা লোকদাউন হায়নরিবা বিজিনেসশিং থিংগদৌরিবা, ট্রান্সপোর্ট সর্ভিসশিং হন্থহনগদৌরিবা, মী পুনবদা মশিংগী পনখৈ থমগদৌরিবা অমসুং য়ুরোপকী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা সিটিশিংগী মনুংদা অমগী মীয়াম্বু কন্ট্রোল তৌনবগী হেন্না কনবা থৌরাং কয়া চৎনহনগদৌরিবা খোঙথাং অসি চৎনহন্নবগী থৌরাংশিং পুথোরক্লবা খঙহনখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা বারশিং, পব্লিক ট্রান্সপোর্টশিং অমসুং বিজিনেসশিং মহৌশাগুম মথৌ তৌনরিবা লন্দন সিটিগী থবক থৌরম পুন্নমক লেপহন্নবা হেন্না কনবা থৌরাংশিং পায়খৎপা চঙগদ্রা হায়না হংবদা জোন্সন্না পায়খৎফম থোকপশিং মতম চানা পায়খৎকনি হায়খি।

## ইটালিদা আর্মিবু কোরোনাভাইরসনা শিহল্লবশিং হোন্দোকহনখ্রে

মিলান, মার্চ ১৯ (এজেন্সি) :
ইটালিগী কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ইপিসেন্টর ওইরিবা অৱাং থংবা টাউন অমদা লৈরিবা অশিবা হকচাংশিং হোন্দোক্লবা গভর্নমেন্টনা আর্মিদা ওর্দর তৌখ্রে।

ইটালিয়ন গভর্নমেন্টনা লৈবাক শীন-থুংনা ইমর্জেন্সি লোকদাউনগী থৌরাং মতম হেন্না শাংদোক্লবা শেম-শাখিবগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশিংনা অরোইবা মথৌ-মঙমগী সর্ভিসশিংদা চাওনা অকায়বা পীবা লৈরবা সিটি অদুদা গভর্নমেন্টনা আর্মিনা শীজিন্নখিবনি।



মিলান সিটিগী অৱাং নোংপোক থংবা বলগামোদা লোকেল মীওইশিং কাপ্পগা লোকেল পাউচে ইকোদি বলগামোগী ৱেফসাইটতা থাগৎলকপা ভিদিওদা অহিং চুপ্পা শাংলবা মিলিটরি কলম অমনা লম্বীশিংদা ফাওদুনা চৎলগা টাউন অদুগী সিমিত্রিদগী কূশিং লৌথোকপগী শক্তম উখি।

আর্মিগী স্পোক্সমেন অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, অশিবা হকচাংশিং অদু য়ুমথংনরিবা প্রোভিন্সশিংদা পুন্নবগীদমক্তা ট্রক ১৫ অমসুং লান্মী ৫০ দিপ্লোই তৌরে। মমাংদা বলগামোগী লোকেল ওথোরিটিশিংনা অশিবশিং পোলোইবগী থবক্তা মতেং পাংনবা আপিল তৌখিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইটালিদা নোংমগী মনুংদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদা পুন্না অশিবা মশিং ৪৭৫ হেনগত্তুনা লৈবাক অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনবা মী মশিং ৩,০০০ লোম য়ৌখ্রে।

লোম্বার্দি রিজনখক্তদা মীওই ৩০০ হেন্না শিখ্রে। কোরোনাভাইরসকী কেস ৪০০০ হেন্না লৈরিবা প্রোভিন্স বলগামো লমদম অসিদা লৈরিবনি। য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংদগী ইটালিনা হান্না লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা লোকদাউন তৌখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং কোরোনাভাইরসকী কেস হৌজিকসু লেপ্তুনা হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা গভর্নমেন্টনা মীয়াম্বু মপুং ফানা চৎথোক-চৎশিন তৌহন্দনবগীদমক্তা হেন্না কনবা থৌরাং কয়া চৎনহন্নবগী ৱাফম খন্নরি। মীওই কয়ানা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈবগী ওর্দর ঙাক্লদবদগী হেন্না কনবা থৌরাং কয়া চৎনহনবা চঙই হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।